# কংগ্রেসতা চহী ৪০ লৈরম্লবা মেঘলায়াগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর দি দি লাপাং কংগ্রেসতগী তোকখ্রে



***শিল্লোং, সেপ্টেম্বর ১৪ ঃ***

কংগ্রেস পার্টিদা চহী ৪০ রাজনিটি য়াওদুনা লৈরম্লবা তুংদা মেঘলায়াগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর দি দি লাপাংনা পার্টিগী সেনিয়ার লীদরশিংনা মহাকপু নাকলদা ইন্থোক্তুনা থম্বীরে হায়না রাহুল গান্ধীদা চিঠি অমা ইখিবগা লোয়ননা ঙরাং শগোলশেন নুমিত্তা পার্টি অসিদগী তোকখ্রে।

হৌজিক মশাগী চহী ৪৪ শুরবা মিষ্টর লাপাংনা মেঘলায়া এসেমব্লি ইলেক্সন্দা কুমজা ১৯৯৩ দা শুপ্নগী অমুকখক মায়থিহৌখি। কুমজা ১৯৭২ দগী হৌনা শিল্লোংদগী কিমিঃ ৫১ লাপ্পা নোংপোহ কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীহুৎ ওইরকখি। কংগ্রেসনা মহাকপু পার্টিগী ষ্টেট চীফ ওইবদগী হৌখিবা চহীদা লৌথোকখি।

কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীদা ইবা মহাক্কী পার্টি থাদোকপগী চিঠি অদুদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা পার্টি অসিনা সেনিয়ারশিংবু মখা তানা কান্নদ্রবা ওইনা খনবগুম তৌই হায়খি।

ঐগী মোততা মসিনা তাক্লিবদি মখোয়গী (সেনিয়ার অমসুং এলদরলি পার্টি লীদর) শিংগী সার্ভিস অমসুং কন্ত্রিব্যুসন মখা তানা পার্টিদা কান্নদ্রে হায়বনি। মীয়ামগীদমক থবক তৌনবা ব্রাখল থৌনা অমসুং হৈনীংবা ঐগী নুংদা হৌজিকসু চাক্তুনা লৈরি। অথিংবা অসিনা ঐবু নীংবা কায়হল্লে অমসুং পার্টিদা লৈবদা মখা তানা নুংঙাইতবা পোকহল্লে হায়না মিষ্টর রাপাংনা হায়খি।

ঐগী হৌজিক্কী চহী মতাং অমসুং হকচাংগী ফিভম অসিগা লোয়ননা ঐহাক হেক লৈরিবমখে হান্নগা চপ মান্নবা মওংদা লৈবাক অসিগী মীয়াম ঐগী ষ্টেট অমসুং মসিগী মীয়ামগী থবক মখা তানা তৌনবা ঐনা ব্রারেপ লৌখিবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

অদুমকপু ঐহাক্না থম্মোয়না য়ানিংনা কংগ্রেস পার্টিদা ঐগী কখোকপা মখা চত্থররোই অমসুং খুদক্তগী হৌনা ঐনা পার্টিদগী রিজাইন তৌনবা লেপ্লে হায়খি।

হৌজিক মহাক্না মখা তানা কংগ্রেসকী ষ্টেট পার্টি চীফ অদু ওইদ্রবনা মথং চহীগী জেনরেল ইলেক্সনশিংদা মহাক্না কংগ্রেসতগী থাদোক্তুনা চৎখিবা অদুগী চৈথেং করি ওইগদগে খঙবা ঙমদ্রি।

ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন মতূংদা এলায়েন্স অমা শেম্লবা মতূংদা নেস্নেল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী মশাগী চহী ৪০ শুরবা লুচিংবা কোন্রাদ সাংমানা চহী অসিগী অঙনবদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অদু শেমখি। এসেমব্লি মীখল অদুদা কংগ্রেসনা সিট ২১ অমসুং সাংমাগী পার্টিনা ১৯ ফংখিবনি। এম এল এ ৩১ গী শৌগৎপগা লোয়ননা কংগ্রেসকী অনীরক চীফ মিনিষ্টর ওইরম্লবা মুকুল সাংমাবু মায়থিবা পীবদা মিষ্টর সাংমানা মায় পাকখি।

# সুস্মা স্বরাজ অমসুং রসিয়ান দিপ্যুটি পি এম না নাকল অনী তেংবাঙনবগী খোঙজেল য়েংশিনখ্রে

***মোস্কো, সেপ্টেম্বর ১৪ ঃ***

ইন্দিয়াগী এক্সতর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজ অমসুং রসিয়াগী দিপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর যুরি বোরিসোবনা ট্রেদ এন্দ ইনভেষ্টমেন্ট, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, কলচর অমসুং লৈবাক অনীমক্কী ওইবা অতৈ হীরমশিংগী মতাংদা নাকল অনী তেংবাঙনবগী খোঙজেল অদু ঙসি য়েংশিনখ্রে।



লুচিংবা অনী অদুনা ২৩ শুবা ইন্দিয়া–রসিয়া ইন্টর–গভর্ণমেন্টেল কম্মিসন ওন টেক্নিকেল এন্দ ইকোনোমিক কোওপরেসন (আই আর আই জি সি–টি ই সি) গী কো চিয়ার ওইখি।

লৈবাক অনীগী মরক্তা ললোন ইতিক, শেল থাদবা, সাইন্স, টেক্নোলোজি, কলচর অমসুং অনীমক্কী অপূনবা কান্নগদবা অতৈ হীরমশিংদা তেংবাঙনবগী হৌজিক চত্থরিবা থবকশিং অদু চহীগী ওইনা রিভিয়ু তৌরিবা অমসুং উন্নরিবা ষ্টেন্দিং বোদি অমনি আই আর আই জি সি–টি ই সি হায়রিবসিনি।

তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা লৈবাক অনীগী মরক্তা তেংবাঙনবা অদু পূল্লপ য়েংশিল্লবা তুংদা কম্মিসন অসিনা মরী লৈনবা হীরমশিংদা পোলিসি রিকোমেন্দেসনশিং অমসুং দিরেক্সনশিং পীগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সতর্নেল এফিয়ার্সনা হায়খি।

হৌখিবা ইকোন কোনবা কম্মিসনগী মীফম ২০১৭ দা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখি। চহী অসিগী মে থাদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা ব্লেক সি সমুদ্র তোর্ব্বান্দা লৈবা সিটি সোচিদা ইনফোর্মেল সম্মিট অমদা উন্নখি অমসুং লুচিংবা অনী অদুনা মহৌশানা লৈনরক্লিবা ইন্দিয়া–রসিয়াগী নক্নবা মরী অদু স্পিসিয়েল প্রিভিলেজ ষ্ট্রেতেজিক পার্টনরসিপ অমগী থাক্তা ওনখৎখি। মসিদসু নত্তনা লুচিংবা অনী অসিনা চহী অসিগী জুন থাদা জোহান্নেসবর্গতা ব্রিক্স সম্মিট শরুক য়াবা চৎপদসু উন্নখি।

ঙরাং শগোলশেন নুমিত্তা সুস্মা স্বরাজনা রসিয়াগী মহাক্না ফম্মান্নবা সেরগৈ লাভরোবকা উন্নখি অমসুং লুচিংবা অনীনা লৈবাক অনীগী ওইবা অমসুং রিজনেলগী ওইবা হীরমশিংগী মতাংদা য়াম্না ফজনা মখোয়গী মোত ফোঙদোক্লখি।

থা ১১ গী মনুংদা অহুম্লক রসিয়াদা লাকখ্রবী সুস্মা স্বরাজবু ইকায়খূম্নবা ওইনা রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর লাভরোবনা চাক্লেন অমসু শীনখি।

## রেপ তৌবগী মরালদা লাইনি হায়জবা ১ ফাখ্রে

***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৪ ঃ***

দিল্লিদা লৈবা মহাক্কী আশ্রমদা নুপী অমা অমসুং মহাক্কী অঙাং ওইরিবী মচানুপীবু রেপ তৌবগীদমক মশানা মশাবু লাইনি হায়জবা অসু মহারাজ ঙরাং নুমিদাং ফারে হায়না ঙসি পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

হান্না অসিফ খান কৌরম্বা মীওই অসিগী মচানুপা সমর খানসু নুপী অদু রেপ তৌবগীদমক ক্রাইম ব্রাঞ্চনা ফারে হায়না এদিস্নেল কম্মিস্নার ওফ পুলিস (ক্রাইম) রজিব রঞ্জননা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসনা থাঙ্গৎলকপা ব্রাকৎ অমদা নুপী অদুনা লাইনি হায়জবা মীওই অদু, মাগী মরুপশিং অমসুং মাগী মচানুপানা ২০০৮ তগী ২০১৩ ফাওবদা মহাকপু হন্না–হন্না রেপ তৌবিখ্রে হায়খি হায়না পুলিস ওফিসার অমনা হায়খি।

## অব্রাংনোংপোক ষ্টেট ৭ কী অনৌবা কংগ্রেস সেক্রেটরীশিং হাপখ্রে

***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৪ ঃ***

কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা খুদক্তগী চৎনবা হৌগদবা অব্রাংনোংপোক ষ্টেট ৭ কী এ আই সি সি সেক্রেটরীশিং হাপখ্রে।

হাপখ্রবা মীওইশিং অদুদি অরুনাচল প্রদেশকীদমক জেনিথ সাংমা (মেঘলায়া), মণিপুরগী ওইনা এম এল এ চার্লস পিয়েগ্রোপ (মেঘলায়া), মেঘলায়াগী ওইনা হান্নগী এম এল এ ভিক্তর কৈসিং, মিজোরামগী ওইনা মেঘলায়াগী এম এল এ অম্পরীন লিংদোনি।

অদুগা অসামদগী প্রদ্যুট বোরদোলোইনা নাকল অনীগী এ আই সি সি সেক্রেটরী ওইরগনি। ট্রিপুরা প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটিগী ব্রার্কিং প্রসিদেন্ট প্রদ্যোট বিক্রম মানিক্যা দেববর্মানা সিক্কিমগী এ আই সি সি সেক্রেটরী অদুগা অসামগী এম এল এ ভুপেন কুমার বোরাহনা ট্রিপুরাদা এ আই সি সি সেক্রেটরীগী থৌ পুরগনি।

মথক্কী অসিদা নত্তনা কংগ্রেস প্রসিদেন্টনা জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমসুং তামিল নাদুগী অনৌবা কংগ্রেস সেক্রেটরীশিংসু হাপখ্রে।

হিমাচল প্রদেশতগী সুধির শর্মনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা এ আই সি সি সেক্রেটরী ওইরগনি অদুগা অন্ধ্র প্রদেশতগী সিরিবেল্লা প্রসাদনা তামিল নাতুনা এ আই সি সি গী সেক্রেটরীগী ফম পুরগনি। ব্রাফম অসি অশোক গেহলোটনা সহি তৌদুনা ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোকখিবনি।

## বস গুরুং চৎপদা ১৩ শিরে

***কিষ্টৱার, সেপ্টেম্বর ১৪ ঃ***


জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী কিষ্টৱার দিষ্ট্রিক্তা ঙসি মী থন্না য়াওবা মিনি বস অমা লম্বীদগী নাহুদুনা লোকচপ অমদা তাবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৩ শিখ্রে।

কিসৱান এরিয়াদগী মিনি বস অদুনা কিসৱান তন্না লাকপদা থাক্রাই মনাক্কী দন্দরানদা ড্রাইভর অদুনা শোয়খিবদগী চোব তুরেলগী খোংনুং মনাক্তা লৈবা ফুট ৩০০ লুবা লোকচপ অদুদা ঙসি অয়ূক তাশিনখিবনি হায়রি। থৌদোক অদুদা মীওই ১৩ শোকখি হায়না সেনিয়ার এস পি কিষ্টৱার, রাজেন্দর গুপ্তনা হায়রি।

## বিজয় মাল্লয়াদগী শেন্দোল লৌখৎনবা অকনবা থবক চত্থরি ঃ *এস বি আই*

***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৪ ঃ***

লৈবাক অসিদগী চৎখিদুনা হৌজিক মীচেন ওইনা লন্দনদা লৈরিবা লিকর বেরোন বিজয় মাল্লয়াগী হৌজিক থবক তৌখিদ্রবা কিংফিসর এয়ারলাইন্সনা তোল্লিবা লোনগী শেনফম অদু লৌখৎনবা হোৎনবদা থবক তপথবা নৎত্রগা অশোয়বা অমত্তা লৈতে হায়না লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা লেন্দর ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস বি আই) না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



কিংফিসর এয়ারলাইন্সনা লোন পীবদা মকোক ওইরিবা এস বি আই দা লৈবাক অসিদগী মাল্লয়ানা চেনখিবা থিংনবা সুপ্রিম কোর্টতা চৎনবা ২০১৬ ফেব্রুৱারীদা পাওতাক পীখিবনি। অদুবু তাইকুন অদুনা লৈবাক থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মতূং নুমিৎ ৪ নি লৈরগা লেন্দরশিং অসিনা এপেক্স কোর্ট অদুদা চৎখি হায়বা পাউ অসি থোক্লকখ্রবা তুংদা এস বি আইগী ব্রাফম অসি ফোঙদোক্লকখিবনি।

কুমজা ২০১৬ গী মার্চ ২ দা বিজয় মাল্লয়ানা ইন্দিয়া থাদোক্তুনা চৎখি। অদুবু ব্যুজিনেসমেন অদুবু লৈবাক অসিদগী থাদোক্তুনা চৎহনখিদনবা খূৎ থিংজিনবীয়ু হায়দুনা বেঙ্ক ১৩ না কোন্না নুমিৎ ৪ নি গী তুংদা সুপ্রিম কোর্টতা ব্রাকৎখি।

এস বি আই নৎত্রগা কিংফিসর এয়ারলাইন্স য়াওনা লোন দিফোল্ট কেসশিংগী মতাংদা থবক তৌখিবা মসিগী ওফিসিয়েলশিংগী নাকলদা অশোয়বশিং লৈখি হায়বদু এস বি আই না য়াখিদে। বেঙ্ক অসিনা তোল্লিবা শেনফমশিং অদু লৌখৎনবা অকনবা থবকশিং চত্থরি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা লীদ বেঙ্ক অদুনা হায়খি।

বিজয় মাল্লয়ানা বেঙ্ক ১৭ কী কনসোর্তিয়ম অমদগী লুপা ক্রোর ৯,০০০ হেনবগী লোনশিং শিংগৎতবগীদমক লীগেল প্রোসিদিংশিং মায়োক্লরি।

অদুম ওইনমক মিষ্টর মাল্লয়ানা অফোঙবা চিঠি অমদা মহাক মশামক ঙাকথোক্তুনা ইন্নখি অমসুং এস বি আই অমসুং অতৈ বেঙ্কশিংনা মহাক্কী কম্পনিগী শেন–থুমগী ফিভম অদু খঙন–খঙনা মঙোন্দা লোন পীরকখিবনি হায়খি।

বেঙ্কশিং অদুসু চৈরাক ফংনিংঙাই ওইরবসু বেঙ্ক লোনশিং শীংদবগীদমক মহাকপু পোষ্টর বোয় ওইহল্লে হায়না মহাক্না হায়খি।

বিজয় মাল্লয়াবু লোন শীংদবা মীওই অমনি হায়বসি হান্ননা খঙলবা অমসুং লো কোর্টকী মমাঙদা মদুগীদমক ব্রায়েল মায়োক্লরি হায়বসু খঙলবা মঙোন্দা মতৌ করম্না লোনশিং অদু পীখিবনো হায়বদু অঙকপা পোকই হায়না সুপ্রিম কোর্টনা বেঙ্কশিং অদুদা হায়খি।

বিজয় মাল্লয়ানা চহী ৩ গী মমাঙদা য়ু কে গী অচৌবা কম্পনি অমদা য়োন্থোকখ্রবা য়ুনাইটেদ স্পিরিটিসকী চিয়ার্মেনসিপতগী তোক্লবা দিয়াজিওগা দিল তৌনরবা তুংদা ফোঙদোকখিবা ব্রারোল অমদা য়ু কে দা হোংনবা মহাক্কী অনীংবা অদু মহাক্না হান্ননা লাওথোকখ্রবনি হায়বা ব্রাফম অদুসু সুপ্রিম কোর্টনা নীংশিংখি। সেভিয়ারেন্স পেকেজ ওইনা দিয়াজোদগী মহাক্না লুপা ক্রোর ৫১৫ নৎত্রগা দোল্লর মিল্লিয়ন ৭৫ ফংগদবনি।

এস বি আই না দিয়াজিওনা মাল্লয়াদা পীগদবা শেনফম অদুগী অহানবা হক তাল্লদুনা বেঙ্গলোরদা লৈবা দেবট রিকোভরি ট্রিবুনেলদা ২০১৬ মার্চকী অহানবা চয়োলদা ব্রাকৎখিবনি।

## সাউথ কোরিয়াগী মিসাইল–কেপেবল সবমেরিন পুথোকখ্রে

***সিওল, সেপ্টেম্বর ১৪ ঃ***

যূম্লোন্নবা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই পায়রবা নোর্থ কোরিয়াগা হন্দক দিপ্লোমেটিক্কী খোঙথাং তপ্লবসু ঙসি ইরাই নুমিত্তা সাউথ কোরিয়ানা লৈবাকসিগী ইহান হানবা মিসাইল–কেপেবল এটেক সবমেরিন পুথোকখ্রে।



দোল্লর মিল্লিয়ন ৭০০ চঙবা টোন ৩,০০০ গী দোসান এহন চাং–হো সবমেরিন অদু ক্রুজ অমসুং বালাষ্টিক মিসাইলশিং অনীমক কাপ্পা ঙম্মী অমসুং মথং চহী ৫ গী মনুংদা দিফেন্সকী হীরমদা শীজিন্নগদবা থৌরাং তৌরিবা দিজল–ইলেক্ট্রিক বোট অহুমগী মনুংদা মসি অহানবনি।

সবমেরিন অসি দিজাইন তৌখিবা অমসুং শাখিবা দেৱূ শিপয়ার্দতা পাঙথোকপা পুথোকপগী থৌরম অমদা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মূন জে–ইন না মসি লৈবাকসিগী দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিদা মাঙলোমদা থাংলকপা অচৌবা খোঙথাং অমনি হায়খি।

শক্তিগী খুখাংদা শান্তি হায়বসি গভর্ণমেন্ট অসিগী থাদোকপা য়াদবা সেক্যুরিটিগী লাল্লোং অদুনি হায়নসু লুচিংবা অসিনা ফোঙদোকখি।

নোর্থ কোরিয়াবু মখোয়গী ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইশিং থাদোকহন্নবা য়ু এস না লুচিংদুনা পিওংয়াংবু য়াহন্নবা হোৎনবদা হৌজিক লেপ্তুনা লৈবগা লোয়ননা সাউথকী প্রসিদেন্ট অসিনা নোর্থকী লুচিংবা কিম জোং উন গা অহুমশুবা সম্মিট অমগীদমক মথং চয়োলদা পিওংয়াংদা চৎকদৌরি।

কোরিয়ান পেনিন্সুলাবু ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই লৈহন্দনবা অচৌবা খোঙচৎ অমা ঐখোয়না চৎননবা শেম–শারি হায়দুনা প্রসিদেন্ট মূননা হায়খি।

অনৌবা সবমেরিন অসিদা ভর্টিকেল লোঞ্চ ট্যুব ৬ পাল্লি। অদুগা ইন্দিজিনস সোনার অমসুং কম্বেট মেনেজমেন্ট সিষ্টেমশিং য়াওরি।

অনৌবা ভেসেলশিংদা নত্তনা সাউথ কোরিয়াগী খরা পীকথবা সবমেরিন ১৮ গী ফ্লীট অমা লৈরি। সবমেরিন পূন্নমক অদু জর্মনিগা পূন্না তেংবাঙনরগা শাবা ঙাক্তনি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী মতূং ইন্না নোর্থ কোরিয়াগী মতম লিরবা সবমেরিন অমসুং সবমরসিবল ৭০ লৈ। অমসুং ভর্টিকেল লোঞ্চ সিষ্টেম পানবা ২,৫০০ কী অনৌবা সবমেরিন অমসু নোর্থ কোরিয়ানা পুথোকখ্রে হায়না য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিনা হায়রি।

## তালিবান এটেকশিংদা সেক্যুরিটি ফোর্স ১২ শিরে

***কাবুল, সেপ্টেম্বর ১৪ ঃ***

আফগান ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকপদা তালিবানদা চত্থরকখিবা তোঙান তোঙানবা এটেকশিংদা য়ামদ্রবদা লান্মী ১০ অমসুং পুলিসমেন ২ শিখ্রে হায়রি।



ফারাহ প্রোভিন্সকী কাউন্সিল চীফ ফরিদ বখতৱারনা ফোঙদোকপদা ঙরাং শগোলশেনগী অয়ূক অঙনবদা পুশত রোদ দিষ্ট্রিক্তা লৈবা আর্মি বেজ অমা খুদুম চন্নবা তালিবান ফাইতরশিংনা হোৎনরকখি হায়খি।

মখোয় অদুনা আর্টিলরি খূৎলাই শীজিন্নদুনা আর্মি ট্রুপশিংদা এটেক তৌরকখি অমসুং পূং ৪ চূপ্না নোংমৈ কাপ্লবদা য়ামদ্রবদা লান্মী ১০ শিখি অমসুং ৩ শোকখি হায়না মহাক্না ফোঙদোক্লি।

প্রোভিন্স অসিগী বালা বুলুক দিষ্ট্রিক্তা লৈবা পুলিস সেক্যুরিটি ফোর্স অমদা চত্থরকখিবা অতোপ্পা তালিবান এটেক অমদা পুলিসমেন ৩ শিখি। এটেক অদু কনানা চত্থবনো হায়বা কনাগুম্বা লূপ অমত্তনা ফোঙদোক্ত্রি।

মসিদা নত্তনা অতোপ্পা থৌদোক অমদা হেলমন্দ প্রোভিন্সকী কোনুং ওইরিবা লাসকর গাহদা কার বোম অমা পোকখাইখ্রে। আফগান আর্মিগী ব্রাঙাংলোই অব্দুল কাদির বাহাদোরজাইনা ফোঙদোকপদা কার বোম পোকখাইবগী থৌদোক অদুদা মীচম অনী শোক্লে হায়খি।

য়ু এস না লুচিংবা আফগনিষ্টানদা লান্দারকখ্রবগী মতূং চহী ১৭ তা হেনগৎলক্লিবা হিংশা অসি সিরিয়াগীদগী হেন্না শাথিবা মীশি–মীনা থোকপা থৌদোক ওইরবা য়াই হায়রি।

## পাখঙ ১ মাগী নুশিনবী নুপীমচাবু মহাক্কী মমাঙদা গেংরেপ তৌখিবগী মতূং শিজখ্রে

***কোরবা, সেপ্টেম্বর ১৪ ঃ***

ছতিসগরগী কোর্বা দিষ্ট্রিক্তা মহাক্কী অঙাং ওইরিবী নুংশিনবী নুপীমচা অদুবু মীওই অনী চঙদুনা রেপ তৌখিবগী মতূংদা মশাগী চহী ২১ শুরবা পাখঙ অমা মশা মতোমতা শিজখ্রে।

রেপ তৌবগী থৌদোক অদু সেপ্টেম্বর ১ দা কাটঘোরা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মফমদা থোকখিবনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোক্লি। মাগী বোয়ফ্রেন্দ সৱান সাইনা মশা মতোমতা শিখিবগী থিগৎলকপদা মশাগী চহী ১৭ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অদুনা ফোঙদোক্লকপদগী থৌদোক অসি নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা খঙখিবনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ইশ্বর দাস (২২) অমসুং খেম কনৱার (২১) বু গেংরেপ অমসুং এবেটমেন্ট ওফ সুইসাইদকী মরালশিংদা য়ূমশকৈশা নুমিত্তা ফাগৎলে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

## বিহারদা লিকর লো মখাদা ফাখিবা মীওই লীশিং কয়া অমুক থাদোক্লগনি

***পাত্না, সেপ্টেম্বর ১৪ ঃ***

বিহারদা অকনবা প্রোহিবিসন এক্টকী মখাদা ফাখিবা মীওই লীশিং কয়া অদু ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী অনৌবা এমেষ্টি স্কিম অমগী মখাদা মথং থাদা অমুক থাদোক্লগনি। প্রোহিবিসন এক্টকী মখাদা য়াম্লবা মীওই লীশিং কয়া অদু ফাবগী মতাংদা থা কয়াগী মীচৈ মায়োক্লরক্লবা মতূংদা চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারনা পুথোক্লকখিবা অনৌবা খোঙথাং অদু ষ্টেট কেবিনেট অমসুং সেন্টরনা ওফিসিয়েল ওইনা অয়াবা পীরকখ্রে।

তঙ্কক অমদদি এক্ট অদুগী মখাদা মী ৪০,০০০ হেন্না ফদুনা জেলদা থমখি। হৌজিক ১০,০০০ হেন্না ফদুনা থল্লি।


**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Sagolmang, Imphal East. Manipur**
*Ref. :- Mutation Case No. 579/SDC/SLG/IE of 2018*

Ngangbam Tombi Devi D/o Late Madan Singh
of Keibi Khullen ... (Co-Pattadar No.2)
***- Petitioner***
***-Vrs-***
Late Ngangbam Chandani Devi D/o Late Madan Singh
of Keibi Khullen ... (Co-Pattadar No.1)
***- Opposite Party***

**NOTICE**
*Sagolmang, Dated 14th September, 2018*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং 22-Keibi Khullen পট্টা নং 104 অরিবা 42 অনৌবা, দাগ নং 1103 মোট এরিয়া 0.86 একর চাওবা Ingkhol গী Co-Pattadar No.1 মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেতিস্নার অসিনা মৃত্যু পট্টাদারগী মিং কক্লগা Applicant গী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্যু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপত্তি/Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাওচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা আপত্তি/Objection তৌরবা য়াগনি, মতূংদা লাকপা আপত্তি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতূং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
**Sagolmang,** Imphal East
*SL/4013/15*



**SMART CARD LOST**

I have lost my Smart Card of Activa bearing Reg. No. MNO-1C9686 Engine No. 5595169 Chasis No. MEJFQ83L88563711 on the way between Project Gate and SBI ATM, Loktak Project on 18th June, 2018

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/-
**(Huirem Subol singh**
S/o H. Ibomcha Singh
Kodompokpi Lamkhai
Imhal West, Manipur
**SL/4012/15**



ꯂꯦꯟꯅꯥ ꯍꯣꯔꯣꯁ꯭ꯀꯣꯞ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ

**লেন্না Horoscope য়েংজরি**

হৌখিবা চহী কয়াদগী চত্থরকপগুম হন্দক চহীগী ওইনা সেপ্টেম্বর ১ দগী দিসেম্বর ১ ফাওবা লৈখিদ্রবা ইপা ইপুশিংদা কৎচবা ওইনা Dinamani Astrological Centre না হৌদোকখিবগী ২৩ রক শুবা কুমওনগী থৌরম ওইনা মফম অসিদা Horoscope অমুক্তা য়েংখিদ্রিবশিংগী হীরম অমা লেন্না য়েংবা হৌজরে থৱায় য়াওবিবশিংনা খুদোংচাবা অসি লৌবীয়ু।

**অয়ূক্কী লিক্লা অপোক্লোম্বা**
Koirou Thongju Part-II
#+919191733333
*SL/3968/20 Days*


### GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 07/06/18
Valid : 06/06/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**TDK Gas**
Booking : 01/07/18
Valid : 28/06/18
Stk : 612

**Misao Gas**
Booking : 09/07/18
Valid : 25/06/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Canchi Service Indane**
Booking : 09/07/18
Valid : 05/07/18
Stk : 918/5kg Available
Rate : Rs. 938/-
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**Haran Valley Gas, Kwakta**
Booking : 21/06/18
Valid : 19/06/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Nongpok Sekmai Indane**
Booking : 23/07/18
Valid : 10/07/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**Sawombung Indane**
Booking : 02/07/18
Valid : 30/06/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.-00 a.m

**RBD Gas**
Booking : 19/06/18
Valid : 10/06/18
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 a.m

**Heirok Gas**
Stk : 306 for Home Delivery

**সনা–সুদোকু –১২৯১ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 7 | 4 | 6 | 8 | 3 | 5 | 1 | 9 |
| 9 | 8 | 3 | 5 | 1 | 4 | 2 | 7 | 6 |
| 1 | 5 | 6 | 2 | 9 | 7 | 4 | 8 | 3 |
| 3 | 9 | 1 | 8 | 7 | 5 | 6 | 4 | 2 |
| 5 | 6 | 8 | 3 | 4 | 2 | 7 | 9 | 1 |
| 4 | 2 | 7 | 9 | 6 | 1 | 3 | 5 | 8 |
| 6 | 1 | 2 | 7 | 5 | 9 | 8 | 3 | 4 |
| 8 | 4 | 5 | 1 | 3 | 6 | 9 | 2 | 7 |
| 7 | 3 | 9 | 4 | 2 | 8 | 1 | 6 | 5 |

### SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1292**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | | | | | 8 | | |
| 8 | | | | 1 | | 4 | | 6 |
| | | | | 2 | | | | |
| 1 | | | | | | 6 | | |
| | 2 | | 3 | 8 | | | | 9 |
| 9 | 6 | | | | | 5 | 7 | |
| | | | | | 5 | | | |
| | | 6 | 8 | | 7 | | 1 | 4 |
| | 1 | | 4 | | | | | 8 |